# নাইজেরিয়াগী চর্চতা এটেক চথরকপদা মীওই ১৬ শিরে



লাগোস, এপ্রিল ২৫ (এজেন্সি): সেন্ট্রেল নাইজেরিয়াগী চর্চ অমদা মীয়াম্না লাই খুরুমদ্রিঙৈদা খুৎলায় পায়বা মীওই খরনা চথরকখিবা এটেক্তা মীওই ১৬ শিরে হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে।

সেন্ট্রেল নাইজেরিয়াদা হর্দর অমসুং লৌমীশিংগী মরক্তা হন্দক খুৎ থোক্ল বগী থৌদোক্তা মীওই চা কয়া শিবা লৈখ্রবনি। ষনগী শজিক চাফম অমসুং লৈহাও চেনবা লৌফমগী মতাংদা য়েৎনরকপদগী নাকল অনী খুৎ থোক্ল রকখিবনি। বেন্যু ষ্টেটকী পুলিস স্পোক্সমেন মোজেস য়ামুনা হায়খি, গ্বর লোকেল গভর্ণমেন্ট ওথোরিটিগী মখাদা লৈবা আইয়ার বালোং খুঙ্গংদা অয়ুক পুং ৬ তাবদা খুৎলায় পায়বা হর্দরশিংনা চর্চতা এটেক চথরকখিবনি।

থৌদোক অদুদা প্রিষ্ট অনী য়াওনা মীওই ১৬ শিখি হায়না পুলিসকী স্পোক্সমেন্না ফোঙদোকখি। কাঙলুপকী খুৎ থোক্লবদা য়াওরিবা হর্দর অয়াম্বা ফুলানি এথনিক গ্রুপকী মুস্লিম ঙাক্তনি। লৌমীশিংনা খৃষ্টিয়ানন্না অনম্বনি। নাকল অনীমক্লা অমনা অমদা এটেক চথদুনা হৌজিক ফাওবদা মীওই ৭৩ হাৎপা লৈখ্রে।

প্রসিদেন্ট মহমদু বুহারিনা কুমজা ২০১৫ দা ফম পায়রকখিবা মতমদা সিক্যুরিটিগী ফীভম ফগৎহনগনি হায়না লাউথোকখিবনি। ষ্টেটমেন্ট অমদা মহাক্ল া হায়খি, লাইনিং লাইশোন তৌফমদা প্রিষ্ট য়াওনা লাই খুরুম্বা লাকপা মীওই কয়া হাৎখিবগী থৌওং অদু অকনবা মওংদা কন্দেম তৌফম থোকই।

হান্নগী ভাইস প্রসিদেন্ট অতিকু অবুবাকরনা রেভরেন্দ ফাদর অনী অমসু অতৈ লাই খুরুম্বা লাকপা মীওইশিং হাৎখিবগী থৌওং অদুগী মতাংদা হায়খি, থম্মোয় শোক্লিংঙাই ওইবা থৌওং অদু মীপুম খুদিংমক্লা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌফম থোকই। ঙরাংসু বেনিয়ু ষ্টেটতা হর্দরশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা মীওই ৩৫ শিখিবগা লোয়ননা য়ুম খরা মৈ চাকখিবনি। খুৎলায় মতিক চানা পায়রবা মীওই ৫০ রোম চঙলক্লগা য়ুম কয়ামরুম মৈ থারবা মতুংদা নোংমৈ রাউন্দ কয়া কাপশিন্দুনা মীওই ৩৫ হাৎখিবনি। গ্বর ইষ্টতসু খুৎলায় পায়বা হর্দরশিংনা কেথলিক প্রিষ্ট অনী য়াওনা মীওই ১৯ হাৎখি।

# খা থংবা দমাস্কসতা সিরিয়ন রেজিমনা নোংথক্তগী এটেক চথবদা মীচম তরুক শিরে : ৱার মোনিটর

বৈরুট, এপ্রিল ২৫ (এজেন্সি): গভর্ণমেন্টকী লান্মীশিংনা দেস গ্রুপকা অকনবা মওংদা খুৎ থোক্লরিবা দমাস্কসতা সিরিয়ন রেজিমনা নোংথক্তগী এটেক চথবদা মীচম তরুক শিরে হায়না সিরিয়ন ওবজার্ভেটরি ফোর হ্যুমেন রাইটস মোনিটরিং গ্রুপনা ফোঙদোকখ্রে।

বৃটেন্দা বেজ তৌবা ৱার মোনিটর গ্রুপ অদুনা হায়খি, ঙসি অয়ুক হজর অল-অসৱদ অমদি কদম দিষ্ট্রিক্টতা রোকেট কয়ামরুম কাপশিল্লকখি। হন্দক্কী অসি থারগা সিরিয়াগী ৱাথোক্তা শিখিবা মীচম ১৮ শুরে।

সিরিয়াগী খ্বাইদগী চাউবা পেলেষ্টিনিয়ন রেফ্যুজি কেম্প লৈরম্বা অমসুং চাউরাক্লা মীওই ১,৬০,০০০ থল্লম্বা য়ারমুক্তা দেস ফাইটরশিংনা মফম অয়াম্বা খুদুম চনশিন্দুনা থল্লকখিবনি। য়ুনাইটেদ নেসন্স এজেন্সী ফোর পেলেষ্টিনিয় রেফ্যুজি (য়ু এন আর দব্লিয়ু এ) না হায়খি মদুদি, কেম্প অসিদা লৈহৌবা রেফ্যুজি ৬০০০ লোম মমাঙ চয়োলদা কেম্প থাদোক্তুনা চেনখ্রে। এপ্রিল ১৯ দগী হৌনা দেস ফাইটরশিং তকথোক্লবা সিরিয়ন গভর্ণমেন্টকী লান্মীশিংনা চথরকখিবা ওপরেসন্দা রেজিম



শৌগৎপা লান্মী ৬২ শিখি হায়না ওবজার্ভেটরিনা ফোঙদোকখি।

সিরিয়ন ওফিসলশিংনদি মীশিমীনাগী মতাংদা চপ চাবা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোকপা তৌখিদে। হায়রিবা মতম অদুগী মনুংদা মিলিটেন্ট ফাইটর ৩৫ শিখি হায়না ৱার মোনিটরগী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি।

হৌজিক হৌজিক য়ারমুক অমদি হজর অল-অসৱদ অমসুং কদম দিষ্ট্রিক্টতা মিলিটেন্ট ফাইটর ৩৫ লৈ হায়না থাজনরি। কুমজা ২০১৪ দা দেস ফাইটরশিংনা সিরিয়া অমসুং ইরাক্কী মফম অয়াম্বা খুদুম চনখিবগা লোয়ননা ইস্লামিক ষ্টেট শেমগৎনবা থৌরাং লৌখৎতুনা লাকখিবনি।

কুমজা ২০১১ দা সিরিয়াগী লান হৌখ্রবা মতুংদা চাউরাক্লা মীওই ৩,৫০,০০০ হেন্না শিখ্রে হায়না থাজনরি। অমরোমদা, দমাস্কস মনাক্তা লৈরিবা রেবেল ফাইটরশিং খুৎলায় থাদোকপগী ৱাফম অয়াবা পীরে হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

অদুবু হিরম অসিগী মতাংদা চপ চানা য়ানবা ঙমদ্রিবা মরম্না হৌজিকসু আর্মিনা মফম অদুদা মখা তানা বোম থাদবগী থৌওং চথরি। থা অসিগী হৌগৎলকপদা প্রসিদেন্ট বাসর অল অসদনা ইষ্টর্ন ঘোটা খুদুম চল্লবা মতুংদা অতৈ অতোপ্পা মফম কয়াসু মথং মথং খুদুম চন্নবা থৌরাং লৌখৎতুনা লাকখি।

এপ্রিল ১৪ দা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস, বৃটেন অমদি ফ্রান্সনা নোংথক্তগী অকনবা মওংদা এটেক চথরকখ্রবসু অসাদকী লান্মীশিংনা মফম অয়াম্বা নৌনা অমুক খুদুম চনবা ঙম্বগী ফীভমদা লৈরে হায়রি।

গ্যাস এটেক চথদুনা মীওই কয়ামরুম হাৎখিবগী থৌওংবু য়ানিংদবা ফোঙদোকপা ওইনা নোংচুপ লৈবাকশিংনা নোংথক্তগী এটেক চথরকখিবনি। ওর্গনাইজেসন ফোর দ প্রোহিবিসন ওফ কেমিকেল ৱেপন্স (ও পি সী দব্লিয়ু)গী ইন্সপেক্টরশিং চয়োল অমগী মমাঙদা দমাস্কসতা থুংলখিবগা লোয়ননা পোইজন গ্যাস এটেক চথখি হায়বা মফমশিংদা থিজিন হুমজিনবগী থবক পায়খৎপা হৌখ্রবনি।

সিরিয়া অমসুং মসিগা খুৎশম্নরিবা রসিয়ানদি দোমাদা কেমিকেল ৱেপন্স শীজিন্নদুনা এটেক চথখিবা লৈতে হায়না ফোঙদোকখি। নোংচুপ লৈবাকশিংনা হায়খি মদুদি, সিরিয়ন গভর্ণমেন্টনা ইন্টরনেসনল ইন্সপেক্টরশিংবু মরুওইবা মফম অয়াম্বদা চঙহন্দবগা লোয়ননা কেমিকেল এটেক চথখিবগী খুদম চাংদম পুম্নমক মাঙহন্নবা থৌরাং লৌখৎলে।

দোমাগী হোস্পিটালদা থবক তৌরিবা মীওইশিং গভর্ণমেন্টকী লান্মীশিংনা কিহনবগী থৌওং চথরে হায়বা ৱাফম অমগী মতাংদা ফিজিসিয়ন ফোর হ্যুমেন রাইটস কৌবা য়ু এসকী রাইটস গ্রুপ অমনা নুংনাংবা ফোঙদোকখি।

# টেররিজমদা শেল থাদবগী মতাংদা লৈবাক ৭০ না খন্নখ্রে

পেরিস, এপ্রিল ২৫ (এজেন্সি): মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাক ৭০ দগী লাকপা অখণ্ড অহৈ ৫০০ রোম্না পেরিসতা মীফম অমা পাঙথোকখিবগা লোয়ননা ইস্লামিক ষ্টেট গ্রুপ অমদি অল-কায়দাদা শেল থাদবগী মতাংদা কুপ্না খন্নখ্রে।

ফ্রেঞ্চ প্রসিদেন্ট ইমান্যুয়ল মেক্রোন্না টেররিজমদা শেল থাদবা থিংনবগী মতাংদা লৌখৎলকখিবা থৌরাংগী শরুক অমা ওইনা নুমীৎ নীনিগী ওইবা ইন্টরনেসনল কনফরেন্স পাঙথোকখিবনি।

কুমজা ২০১৪ অমসুং কুমজা ২০১৬ কী মরক্তা ইস্লামিক ষ্টেটকী অপূনবা লন-থুম দোল্লর বিলিয়ন ২.৫ রোম ওইখি হায়না ফ্রেঞ্চ প্রসিদেন্টকী ওফিসনা ফোঙদোকখি।

টেররিজমদা শেল থাদবগী থৌওং মপুং ফানা থিংবগা লোয়ননা মালেমদা টেররিজমনা থোকহল্লকপা খুদোংথিনিংঙাই ওইবা থৌদোকশিং মপুং ফানা লাকশিন্নবগী পান্দমদা পেরিসকী মীফম



পাঙথোকখিবনি। শগোলশেন নুমীৎতা নোংচুপ লৈবাকশিং, অরাব ৱার্ল্ড অমদি অতৈ লৈবাক কয়াদগী জষ্টিস মিনিষ্টর, ফাইনান্স মিনিষ্টর, ফোরেন এফেয়রস মিনিষ্টর অমসুং ইন্টরিয়ার মিনিষ্টর কয়ামরুম মীফম অসিদা শরুক য়াগদৌরি।

তোঙান তোঙানবা ইন্টরনেসনল ওর্গনাইজেসন ১৮ গী মীহুৎশিংসু মীফম অসিদা শরুক য়াগনি হায়রি। অমরোমদা, য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্প অমসুং ফ্রেঞ্চ প্রসিদেন্ট ইমান্যুয়ল মেক্রোনন্না ইরানগী মথক্তা মতিক চাবা থবক লৌখৎনবা ৱাফম পুখৎলকখ্রে।

মেক্রোনগা লোয়ননা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা ট্রম্পনা হায়খি, ইরান্না পায়খৎলক্লিবা ন্যুক্লিয়ার প্রোগ্রাম পুম্নমক মতম চানা লেপহন্নবা থৌরাং লৌখৎপগী তঙাইফদবা লৈরে। হৌজিক হৌজিক ইরান্না মালেমগী মতিক ময়াই লৈরবা লৈবাক কয়াবু খুৎয়েক পীনদুনা ন্যুক্লিয়ার অমসুং মিসাইল শেমগৎনবা থৌরাং লৌখৎলিবনি। মে ১২ ফাওবগী মনুংদা য়ু এসনা ইরানগী মথক্তা হেন্না কনবা অথিংবা থল্লগনি পল্লদুনা মেক্রোন্না হায়খি, ইরানগী মতাংদা য়ু এস অমদি য়ুরোপ লৈবাকশিংগা ৱারী শানদুনা ন্যুক্লিয়ার প্রোগ্রাম লেপহন্নবগী মতাংদা কুপ্না খন্ন-নৈনরে।

নুমীৎ হুম্নীগী য়ু এস খোঙচৎতা লাকখিবা মেক্রোন্না হায়খি, কুমজা ২০২৫ ফাওবা ইরানগী ন্যুক্লিয়ার প্রোগ্রাম পুম্নমক মপুং ফানা থিংজিন্নবগী মতাংদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং য়ুরোপ লৈবাকশিংনা য়ানবা পুরক্লে। মসিগা ঈরোয়ননা য়েমেন, সিরিয়া, ইরাক অমদি লেবানন্দদা ইরানগা মরী লৈননা থবক থৌরম কয়া পায়খৎপগী ৱাফম য়ানরে।

ট্রম্পনা হায়খি, ইরান্না করিগুম্বা কিহল্লকপা তারবদি মালেমগী লৈবাক খরনা নংখিবা খুদোংচাদবা অদুম্মক চপ চানা নংহনগনি। ইরানগী মতাংদা য়ু এস অমসুং ফ্রান্সনা অনৌবা থৌরাং অমা লৌখৎলগনি হায়রি।

# পেলেষ্টিনিয়ন ১ হাৎখিবগী মরালদা হান্নগী ইজরেলি পুলিসমেন জেলদা থাজিনখ্রে



জেরুসলেম, এপ্রিল ২৫ (এজেন্সি): কুমজা ২০১৪ দা চহী নৌরিবা পেলেষ্টিনিয়ন প্রোষ্টেটর অমা হাৎখিবগী মরালদা ইজরেলগী পেরামিলিটরি পুলিসমেন ওইরম্বা মীওই অমা জেলদা থমখ্রে।

লৈখিদ্রবা পেলেষ্টিনিয়ন নহা অদুগী ইমুং-মনুংনদি হেন্না কনবা চৈরাক পীগদবনি হায়না তকশিল্লকখি। কোর্টকী ৱায়েল লাউথোকখ্রবা মতুংদা লৈখিদ্রবা নাদিম নুৱারাগী অপোকপা ইসামনা রোইটর্সতা হায়খি, মালেমগী মীয়ামদা ইজরেলগী জুদিসল সিষ্টেম ময়েক শেংনা খঙহন্নবা থৌরাং লৌখৎখ্রবা মতুংদা ইজরেলগী কোর্টনা মরাল লৈরবা হান্নগী পুলিসমেন অমা জেলদা থাজিনখিবনি।

খুদুম চল্লবা ৱেষ্ট বেঙ্ককী বেটুনিয়া খুঙ্গংদা বেন দেরি কৌবা ইজরেলি পুলিসমেন অমনা খোঙজং চঙশিল্লকখিবা মীয়ামদা রবর বুলেটকী মহুত্তা অশেংবা নোংমৈ মরু কাপশিন্দুনা পেলেষ্টিনিয়ন অমা হাৎখিবনি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা হান্নগী পুলিসমেন অদুনা হায়খি মদুদি, পেলেষ্টিনিয়নদা অতম্নগা অশেংবা নোংমৈ মরু কাপশিনগে হায়না খনখিবা লৈতে। শোয়বদগী রবর বুলেটকী মহুত্তা অশেংবা নোংমৈ মরু ওইনা কাপশিনখিবনি। কোর্টনা মরাল লৈরবা বেন দেরিবু থা ৯ জেলদা থম্বগা লোয়ননা দোল্লর ১৪,০০০ ফাইন ওইনা থিনবা খঙহনখি। কুমজা ২০১৪ গী মে ১৫ দা থোকখিবা থৌদোক অমগা মরী লৈননা বেন দেরিগী মথক্তা ট্রাইয়েল চথরকখিবনি।

# ইন্দিয়া, মোঙ্গোলিয়ানা লল্লোন-ইতিক অমসুং এনর্জিগী মতাংদা মতেং পাংনবগী ৱাফম য়ানবা পুরকখ্রে

উলানবাটর, এপ্রিল ২৫ (এজেন্সি): ইন্দিয়া অমদি মোঙ্গোলিয়ানা ইনফ্রাষ্টকচর শেমগৎপা, এনর্জি, সার্ভিসেস অমসুং ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজিনচিংবা হিরমশিংদা মতেং পাংনবগী ৱাফম কুপ্না খন্নখ্রে।

ইন্দিয়ন-মোঙ্গোলিয়া জোইন্ট কম্মিটি ওন কোওপরেসনগী তরুকশুবা মীফম পাঙথোক্লবা মতুংদা এক্সটর্নেল এফেয়রস মিনিষ্টর সুস্মা স্বরাজনা হায়খি, লৈবাক অনীনা হিরম কয়াদা পুন্না থবক তৌমিন্নবগী মতাংদা য়ানবা পুরক্লে। চহী ৪২ গী মনুংদা ইন্দিয়াগী ফোরেন মিনিষ্টর অমনা মোঙ্গোলিয়াদা চৎপা সুস্মা স্বরাজনা অহানবনি।

মহাক্লা হায়খি, মিদল ইষ্টতা ঈং-তপ্পা পুরক্লবা হোৎনবদা মোঙ্গোলিয়ানা মরুওইবা থৌদাং লৌবা ঙমগনি হায়না ইন্দিয়ানা থাজে। মায়কৈ অসোমদা ঈং-তপ্পা ফীভম লৈহন্নবগীদমক মোঙ্গোলিয়াগী শেন্মীৎলোন ফগৎহন্নবা থৌরাং কয়া লৌখৎপা মথৌ তাই।

ইন্দিয়া-মোঙ্গোলিয়া জোইন্ট কম্মিটি ওন কোওপরেসনগী মীফমদা নাকল অনীনা মালেমগী ওইবা শিংনবশিং, মরুওইনা টেররিজম মায়োক্লবগী মতাংদা য়ানবা পুরকখি।



তোঙান তোঙানবা টেররিষ্ট গ্রুপশিংদা শেল থাদবা অমসুং মতেং পাংবগী থৌওং মতম পুম্নগী ওইনা লেপহন্নবগী মতাংদসু নাকল অনীনা য়ানবা পুরকখি।

ইন্দিয়ানা শেল থাদরগা মোঙ্গোলিয়ানা পায়খৎলিবা রিফাইনরি প্রোজেক্ট য়াওনা অতৈ অতোপ্পা শেমগৎ শাগৎপগী থৌরাংশিংগী মতাংদসু নাকল অনীনা কুপ্না খন্নখি হায়রি।

মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী মতিক ময়াই লৈরবা লৈবাকশিংগী মনুং চল্লবা ইন্দিয়ানা পায়খৎলকপা থবক থৌরমশিংদা মোঙ্গোলিয়ানা মপুং ফানা শৌগৎলক্কনি হায়বগী থাজবা এক্সটর্নেল এফেয়রস মিনিষ্টর সুস্মা স্বরাজনা মীফমদা ফোঙদোকখি।

স্বরাজনা মোঙ্গোলিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর উ খুরেলসুখকসু উনদুনা দিভলপমেন্ট কোওপরেসন মাইনিং, কেপাসিটি বিল্ডিং, ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজি, ফার্ম অমদি অতৈ হিরম কয়াগী মতাংদা খন্ন-নৈনখি।

শাংলবা চহী ৬০ রোম অচেৎপা মরী থম্নদুনা লাকখিবা লৈবাক অনীগী মরী অমুক্লা হেন্না ফগৎলকপগী খুদম ফংলে হায়না মোঙ্গোলিয়াগী ফোরেন মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

নীংশিংনিংঙাই ওইবা মওংদা কুমজা ২০১৫ দা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মোঙ্গোলিয়াদা চৎখিবা খোঙচৎ অদুগী মতুং তারকপদা লৈবাক অনীগী মরী অমুক্লা হেন্না ফগৎলকখি। হিরম খুদিংমক্তা লৈবাক অনীনা মতেং পাংনদুনা অনৌবা মতমগী শিংনবা পুম্নমক মায়োক্লরগনি হায়না এক্সটর্নেল এফেয়রস মিনিষ্টর সুস্মা স্বরাজনা ফোঙদোকখি।

মহাক্লা হায়খি, মোঙ্গোলিয়াগী লল্লোন-ইতিক তৌরিবা কাঙবুনা খুদোংচাবা তাঞ্জা অসি লৌরগা ইন্দিয়াদা লল্লোন ইতিক্তা মরী লৈনবা থৌরাং লৌখৎতুনা পুন্না চাউখৎমিন্নবা য়ানবা হোৎনফম থোকই।

লৈবাক অনীগী মরক্তা হেন্না নক্লবা মরী পুরক্লবগী পান্দমদা এক্সটর্নেল এফেয়রস মিনিষ্টরনা হায়খি, মোঙ্গোলিয়া অমসুং ইন্দিয়াগী মরক্তা দাইরেক্ট ফ্লাইট লৈহন্নবা থৌরাং লৌখৎলগনি। মোঙ্গোলিয়াগী মীয়াম্বু ইংলিস লোল তম্বীবগা লোয়ননা ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজিগী মতাংদা মপুং ফাবা ট্রেনিং পীদুনা লৈবাক অসিগী মহৈরোয় কয়া ইন্দিয়াদা অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিন তমহন্নবগী খুদোংচাবা ফংহল্লগনি হায়রি।

# য়ু এসকী অথিংবনা মরম ওইরগা ইন্দিয়ানা রসিয়াদগী খুৎলায় লৈনবা থৌরাংদা খুদোংচাদবা মায়োক্লরে



ৱাশিংতন, এপ্রিল ২৫ (এজেন্সি): রসিয়ানা মপান লৈবাক্তা মিলিটরি পোৎলম য়োনবা য়ারোই হায়না য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা থমখিবা অথিংবনা মরম ওইরগা ইন্দিয়ানা রসিয়াদগী দোল্লর বিলিয়ন ৬ কী খুৎলায় লৈনবা থৌরাং অমা খুদোংচাদবা মায়োক্লরে।

য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা ওগষ্ট থাদা খুৎয়েক পীদুনা চৎনহনখিবা লো অমগী মতুংইন্না রসিয়াগী দিফেন্স অমদি ইন্টলিজেন্স সেক্তরগা পোৎচৈ লৈথোক লৈশিন তৌবা লৈবাক খুদিংমক অথিংবা থমগনি হায়রি।

কুমজা ২০১৪ দা রসিয়ান প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিননা য়ুক্রেন্দগী ক্রিমিয়া খায়দোক্লগা খুদুম চনখিবা, সিরিয়াগী সিবিল ৱারদা শরুক য়াবা অমসুং কুমজা ২০১৬ তা পাঙথোকখিবা য়ু এসকী প্রসিদেন্ট খনবগী মীখলদা খুৎ থিংজিনখিবগীদমক রসিয়াবু চৈরাক পীনবা অনৌবা লো অসি শেমখিবনি।

অমেরিকাগা মরুপ মপাং ওইনবা লৈবাকশিংসু রসিয়াদগী খুৎলায় লৈবা তারবদি অথিংবা থমগদৌরি। খুদম ওইনা হায়রবদা এস-৪০০ মিসাইল সিষ্টেম লৈনবা থৌরাং লৌখৎলক্লিবা ইন্দিয়াসু ৱাশিংতনগী অথিংবা মায়োক্লবা য়াই হায়রি।

কুমজা ২০১৬ তা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং রসিয়ান প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিননা য়ানখিবগী মতুংইন্না শান্না কাপ্পা ঙম্বা মিসাইল সিষ্টেম লৈনবা থৌরাং লৌখৎলকপনি। অদুবু য়ু এসকী অনৌবা লো অসিনা মরম ওইরগা ইন্দিয়া অমদি রসিয়াগী থৌরাংদা খুদোংচাদবা মায়োক্লরি।

রসিয়াদগী খুৎলায় লৈরিবা লৈবাকশিংগী মনুংদা ইন্দোনেসিয়া অমদি ভিয়েটনামসু য়াওরি। য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকা মরুপ মপাং ওইবগী মরী থম্নরিবা ইন্দোনেসিয়ানা হন্দক্তা রসিয়াদগী সুখোই ফাইটর লৈনবা দোল্লর বিলিয়ন ১.১৪ গী য়ান্নচে অমা খুৎয়েক পীনখি।

ভিয়েটনামসু রসিয়াদগী ফাইটর-বোম্বর লৈনবা থৌরাং তৌরি। রসিয়ানা শাবা এস য়ু-৩০ ফাইটর অমদি এস-৩০০ ইয়ার দিফেন্স সিষ্টেম শীজিন্নরিবা ভিয়েটনামসু রসিয়াদগী অনৌবা মতমগা চুনরবা খুৎলায় কয়ামরুম লৈনবা থৌরাং তৌরিবনি।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা মিলিটরিগী পোৎলম কয়া য়োন্নবা অমসুং রসিয়াগী এজেন্সীশিংদা অথিংবা থমখিবগী থৌওংনা ভিয়েটনামগী থৌরাংদা অপনবা পীগদৌরি। ইন্দোনেসিয়াসু অহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা রসিয়াদগী সুখোই এস য়ু-৩৫ জেট ১১ লৈনবা থৌরাং তৌরিবনি।

No.1/RO/Election/IUCB/2017
OFFICE OF THE RETURNING OFFICER TO THE ELECTION OF DELEGATES AND BOARD OF DIRECTORS OF THE IMPHAL URBAN CO-OPERATIVE BANK LTD, M.G. AVENUE, IMPHAL

NOTIFICATION

Imphal, the 23rd April, 2018

**No.1/RO/Election/IUCB/2017:** In continuation of election Notice of even Nos. 28th November 2017 and subsequent notice of dated 7th April 2018, it is hereby informed to all Shareholders and the Management of the Imphal Urban Cooperative Bank Ltd. that the **VENUE** for holding Shareholders Groups meeting (Election of Delegates) will be at Standard Robert English Higher Secondary School, Canchipur. Therefore, all concerned are requested to attend the meeting in time.

Sd/- **T. Pradwipkumar Singh**
*Returning Officer*
Election to the Delegates and Board of Directors of the Imphal Urban Coop. Bank Ltd

HL-B/4582/24,25&26

PRE-SUMMER & STOCK CLEARANCE
SALE OF GENTS ITEMS
- UPTO 78% OFF

(1) GENTS COTTON BASED SHIRTS & T. SHIRTS
(2) GENTS 100% COTTON HALF KURTA WHITE & COL.
(3) GENTS TROUSERS CASUAL & FORMAL

M.R.P. ₹995 to ₹1995 / Offer - ₹395 to ₹495 only

*Venue :-* BRIGHTWAYS
Dharamashala Road 1st Floor,
Opposite Punjab & Sind Bank, Imphal-1
*N.B. Good Without this offer & items at a Fixed Price are also Available.*
*A House of Exclusive Readymade Garments & Hosiery.*

HL-B/4551/1-31Apri(Alt.)

REGISTRATION CERTIFICATE LOST

I have lost my Original Registration Certificate of Third year Degree Course (Science), bearing Registration No. 8305 of 1984 issued by Manipur University, on the way from my residence to Kakching Bazar on 20/04/2018. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- Thingnam Achouba Singh
Kakching Khunou Bokul Leikai
HL-P/1127/26

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR : BISHNUPUR

*Ref:- Mut. Case No. 206/SDC/Bishnupur, 2018*
Jatungthang Chiru S/o Rengmisen Chiru of Khoirok Village.
-Petitioner
-Vrs-
Co-pattadar No. 2 Rengleithem Chiru S/o (L) Baredoi Chiru of Khoirok Chiru.
-O.P.

/NOTICE
Bishnupur, the 25th April 2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি Co-pattadar No. 2. Rengleithem Chiru S/o (L) Baredoi Chiru of Khoirok Chiru দা লৈবগী মীংদা পানবা পাট্টা নং 317/74 (অরিবা)। 302 (অনৌবা) সি: এস: দাগ নম্বর 2255 acre 2.67- খুন নং 38 বিষ্ণুপুর খাগী ফৌরেল লৌফম অসিগী পট্টাদার মশা মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী পেটিস্নরগী মীংদা নমা ওনবীরো হায়না দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বশিংনা অপাতি তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোংবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারক্কদবনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌরোই কেস মখা চৎথগনি।

HL-P/1130/26 Sd/- Sub-Deputy Collector,Bishnupur

/থাগৎচরি



Ashok Kumar

ঐগী অনাবা অসি **FROZEN SHOULDER** নি। থা নিপান হেন্না নারকপা ঐগী অনাবা অসিবু **কোন্থৌজম অশোক কুমার**-না **Ashok Kumar Health Care Centre, Palace Compound, Imphal East, ☎ 9612988625** দা লায়েংবীদুনা ফহনবীরে। ঐগী অনাবা অসিনা মরম ওইরগা খুৎ য়েৎ চীকপা, পংথবা-শিথবনি। মসিনা মরম ওইরগা লেং-ওৎপা য়াদবা, খুৎ হাইগৎপা ঙমদবা অসিনচিংবনি। ঐগী খুৎ য়েৎ অসি চপ তিংনা লৈখি। অদুবু ঐগী হাইফম খঙদবা অৱাবা অসি **অশোক কুমার**-না **Natural Therapy** পীবীদুনা অনৌবা পুন্সি অমা পীবিরে। মসিগীদমক ঐনা থম্মোয় শেংনা থাগৎপা ফোঙদোকচরি। ঈশ্বরগী মফমদা খুরুমজরি। কুইনা শাংনা মীয়ামগী সেবা তৌবা ঙম্বা ওইবীয়ুকো।

Sd/- LUICHONG YOWHUNG
Langol Housing Complex
HL-P/5063/26

য়ুম চীংবগী ওর্দর লৌজরি

কনাগুম্বশিংগী য়ুম, শঙ্গোয়, কৈ অমদি চাকশঙনচিংবা মমায় লৈনিংবা, চিংনিংবা অমদি থাঙ্গৎনিংবা লৈবীরবদি অহোঙবা মমলদা অমদি অতেনবা মতমদা থাঙ্গৎচরি অমদি চিংজরি। কনাগুম্বগী দরকার লৈবীরবদি মখাগী কন্টেক নম্বরশিং অসিদা পাউ ফাওবীরকউ।

Sd/- K. Binoy Singh
Head Mistry - Heirok Part - 3, Kabo Leikai
Contact: ☎ 8258863087 / 8730838022
HL-P/3289/26